ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০

# লিন্থোইঙম্বী কাংজৈ লূপনা এম পি এস সীবু পাঞ্জল ১৩-০দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৯ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩শুবা জুনিয়র বোইজ অন্দর-১৬ অমদি ১৫শুবা ৱিমেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা ৱিমেন্সকী মেচতা লিন্থোইঙম্বী কাংজৈ লূপনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ১৩-০দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অসিগী অহানবা চক্রদা লিন্থোইঙম্বী কাংজৈ লূপকী মায়কৈদগী এল থাদোই জর্সি নম্বর ৪, ও আশা লকি জর্সি নম্বর ৫না পাঞ্জল অমমম চনখি। মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা চক্রদা লিন্থোইঙম্বী কাংজৈ লূপকী মায়কৈদগী মখা তানা দেবেন্টি জর্সি নম্বর ১না পাঞ্জল অনী, কে ঐচ হাবে জর্সি নম্বর ৩, এল থাদোই জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল অমমম চনখি। চক্র অসিদসু মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

অহুমশুবা চক্রদা লিন্থোইঙম্বীনা এম পি এস সীবু দোমিনেট তৌদুনা মখা তানা অদুমক শান্নরকখি। চক্র অসিদসু কে ঐচ হাবে জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল ১, সঙ্গিতা জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল অনী হাপচিনখি। মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা অদুমক লৈখি।

অরোইবা চক্রদা লিন্থোইঙম্বী কাংজৈ লূপকী মায়কৈদগী এল থাদোই জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল অনী, সঙ্গিতা জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল অনী পূন্না মেচ অসিদা পাঞ্জল ১৩ চনখি। মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী মায়কৈদগী মেচ অসিদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী লিন্থোইঙম্বী লূপনা পাঞ্জল ১৩-০দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীরমখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা থাংমৈবন্দ পোলো ক্লব অমসুং চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখি।

চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু টি ঐচ থান্না জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল ৩, সঙ্গিতা জর্সি নম্বর ৫ অমদি নীলু জর্সি নম্বর ১না পাঞ্জল অমমম চনখি। মায়থীহৌরবা থাংমৈবন্দ পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদুনা এলিজাবেথ জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল ২ অদুগা ভিক্টোরিয়া ওইনাম জর্সি নম্বর ১না পাঞ্জল অমা চনখি।

অহানবা মোইরাংথেম জোধিশচন্দ্র মেমোরিএল ফুটবোল

# এস এফ এনা আর ৱাই সী থোইখ্রে

জিরিবাম, জন্যুৱারী ৯ (ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি প্লেগ্রাউন্দদা থা অসিগী ৩দগী টিম ১৬না শরুক য়াদুনা শান্নবা চথরিবা অহানবা মোইরাংথেম জোধিশচন্দ্র মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস এফ এ সিঙ্গরবান্দ কছার অসামনা আর ৱাই সী রামগাইজাংবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখ্রে। হয়েং য়ু বি এফ সী মারখুলিয়ন পি এফ সী ফাইটোলগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা আর ৱাই সীনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা এস এফ এনা বোল কাওবা হৌখি। মেচ অদুদা অহানবা অমসুং অনীশুবা হাফতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা পেনালটি শুটআউটতা এস এফ এনা আর ৱাই সীবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা নিলকমলনা সেন্টর রেফরি অদুগা অনিল অমদি জোএল চোংলোইনা এ আর ৱান, এ আর টু অদুগা ও বিশেশ্বরনা ফোর্থ রেফরি ওইখি।

৩১শুবা লংথবাল কেন্দ্র ইন্টর ক্লব স্পোর্টস মীট

# ৱাই সী জি সীনা এম সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৯ (ঐচএনএস): চজিং ঈনাৎ কনবা লূপনা শীন্দুনা চজিং কাংজৈবুংগী শান্নবুংদা ৩১শুবা লংথবাল কেন্দ্র ইন্টর ক্লব স্পোর্টস মীট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই সী জি সীনা এম সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১২না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩১শুবা লংথবাল কেন্দ্র ইন্টর ক্লব স্পোর্টস মীট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেচতা ৱাই সী জি সী অমসুং এম সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা ৱাই সী জি সীনা এম সীবু মাঙজিল থানা শান্নরকখি। শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা এম সীগী শান্নরোই খাবা জর্সি নম্বর ১৪না একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। ৱাই সী জি সীগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ৱাই সী জি সীগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী হেন্না য়াংনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৩৬শুবা অমদি ৪৬শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় প্রদিপ জর্সি নম্বর ২ অমদি জর্সি নম্বর ১৭না পাঞ্জল অমমম মথং মথং চনশিন্দুনা মেচ অদু ২-১দা অমুক মাঙজিল থাহনখি। মখা তানা এম সীনা শোত্থরিবা পাঞ্জল অমা অদু হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু ৱাই সী জি সীনা ২-১দা মায় পাকখি।

# মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টনগী রেঙ্কিংদা অহুমশুবা থাক্তা লৈখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৯ (ঐচএনএস): ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান জুনিয়র বেদমিন্টন শান্নরোয় ওইরিবা মণিপুর মচা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন্না থা অসিগী ৭তা খ্বাইদগী নৌনা থাদোরকপা জুনিয়র শান্নরোয়শিংগী ওইবা মালেমগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা অহুমশুবা থাক্তা লৈখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৭কী ফেব্রুৱারী থাদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় হৌজিক হৌজিক্কা সেনিয়র থাক্তা শান্নবা হৌখ্রবা লক্ষ্যা সেসনা জুনিয়রগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱানগী থাক য়ৌবা ঙমখি। মদুগী মতুংদা মৈরাবনা কুমজা ২০১৯দা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশিংদা ফজবা ঙমখিবদগী অহুমশুবা থাক্তা লৈবা ঙমখি।

নম্বর ৱানগী থাক অদুনা ফ্রান্সকী খৃষ্টো পোপোপনা ফংখি। অদুগা নম্বর টুগী থাক অদুদা চাইনাগী শান্নরোয় লিয়ু লিয়াংনা মফম কল্লি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় বরুন কাপুরনা মৈরাবা লুৱাংগী হেকমথংদা মরিশুবা থাক্তা লৈরি।

৩শুবা লেট নেপালি সনবম মেমোরিএল টুর্নামেন্ট ২০২০

# জেক এফ সী অমসুং এন এফ সী দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৯ (ঐচএনএস): সুন্দর এফ সীনা শীন্দুনা নোংপোক কৈথেলমানবী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ৩শুবা লেট নেপালি সনবম মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা জেক এফ সী অমসুং এন এফ সী পাঞ্জল ৩-৩দা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা হুইকপ এফ সীনা পি এফ সী পোইরৌখোংজিনবু পাঞ্জল ১-০দা অমদি পি য়ু বি জি অংথানা অন্দ্রো এফ সীবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা হুইকপ এফ অমসুং এন এফ সী শান্নখিবা মেচ অদু পাঞ্জল ৩-৩দা দ্রো চৎখ্রে। জেক এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু ৱাই সদানন্দ জর্সি নম্বর ১০না শান্নবগী ২শুবা, ৩১শুবা অমদি ৪০শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা এন এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা কে ঐচ ঙোঙো জর্সি নম্বর ৭, কে ঐচ সনাথোই জর্সি নম্বর ৮ অমদি ইরাবোত জর্সি নম্বর ২না মথংশিংনা মেচকী অহানবা, ২৫ প্লস ৱান অমদি ৪৫শুবা মিনটতা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা হুইকপ এফ সীনা পি এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। হুইকপ এফ সীগী পাঞ্জল অদু দিঙ্কু জর্সি নম্বর ১৪না শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা পি য়ু বি জি অংথানা অন্দ্রো এফ সীবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি। পি য়ু বি জি অংথাগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু এন ওলেন জর্সি নম্বর ১১, অমরজিৎ জর্সি নম্বর ৫ অমদি এন বিনান জর্সি নম্বর ১০না চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা অন্দ্রো এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা পি ঐচ ছেত্রি জর্সি নম্বর ১৪না চনখি।

# মণিপুর পৱরলিফটিং টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৯ (ঐচএনএস): ঝরখণ্ডগী বোকারো ষ্টিল সিটিদা থা অসিগী ১০দগী হৌদুনা ১২ ফাওবা চত্থগদবা ইষ্ট জোন পৱারলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা শরুক য়ানবা মণিপুরগী পৱারলিফটিং শান্নরোয় ঙসি ঝরখণ্ডগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ইষ্ট জোন পৱারলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা শরুক য়াগদবা পৱারলিফটিং শান্নরোয়শিং অদুদি নুপাগী কেজি ৫৯গীদা থোকচোম মালেমঙানবা অমদি অমকচম বিরঞ্জিৎ, নুপীগী কেজি ৫৭কীদা সনসম চাওবা অমদি এন জি তোম্বী, কেজি ৬৩গীদা কোন্থৌজম থোইবী অমদি ইবেমচা, কেজি ৭২গী এলাংবম জেসিকা অমদি সী ঐচ মরজুমা, কেজি ৮৪গীদা দিনেশ্বরি অমদি এন মিরাবাইনি। অদুগা ওফিসল ওইনা নাওরেম সুসিলা, কোন্সম রোসিদা, সুনিতা অমসুং অঙৌবীনি।

ষ্টেট ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০২০


# মেন'স সিঙ্গলসতা বিকিনা প্রেমজিৎপু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৯ (ঐচএনএস): মণিপুর টেনিস এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা এসোসিএসন ওফ টেনিস লভরসনা শীন্দুনা থা অসিগী ৭তগী হৌদুনা চীংঙামথক টেনিস কোর্টতা চথরিবা ৯শুবা সী ৱাই এল সী ষ্টেট ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেন'স সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা বিকিনা প্রেমজিৎপু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

পনবা য়াবদি মেন'স সিঙ্গলসকী কেটেগোরিদা প্রেমজিৎনা রিভাস্করবু ৯-৮ (৭-৩) দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবনি। ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা বিকিনা প্রেমজিৎপু ৭-৫, ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

ঙসি শান্নখিবা মেন'সকী চহী ৪৫ মথক্কী কেটেগোরিদা দিলিপ অমসুং ইবোহলগী জুরানা রোমিও অমসুং প্রদিপকী জুরাবু ৭-৫, ৬-১দা মায়থীবা পীখ্রে।











ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯄꯥꯎ / EMPLOYMENTS NEWS

- চহী ৩০ দগী ৪৫ ফাওবদা লৈবা Security/Gunman ওইনিংবা Ex-Serviceman গী ওইনা Post ৩ (অহুম) পামজৈ।
- চহী ১৮ দগী ৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা (Height 5'5"+) অমসুং নুপী (Height 5'3"+) গী ওইনা Security/Gunman পামজৈ।
- চহী ১৮ দগী ৩৫ ফাওবদা লৈবা Car Driver (Unmarried) অনী পামজৈ।
- Brick Mistry, Gr-IV, Tyre Mistry/Helper অমসুং Brick Jugali পামজৈ।
- Iron Mistry ২ (অনী) পামজৈ।

Please contact :-
N.M. Singh
Mobile No. 9383154085

HL-P/5531/12/12-13/01


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com